ফ্রি হেল্‌ঠ কেম্প অমুক মখা চথখ্রে

জিরিবাম, এপ্রিল ১৩ঃ ওল জিরিবাম য়ুনাইটেদ ক্লবস এসোসিয়েসন (অজুকা) অমদি ৫০ বেদেদ কৃষ্ণ দাইগনোষ্টিক সেন্টরগা খুৎশন্নরগা হৌখিবা মার্চ থাগী তাং ৬ তগী হৌখিবা জিরিবামগী লৈকাই, ক্লবশিংদা চথদুনা লাকপা ফ্রি দাইগনোষ্টিক টেষ্ট প্রোগ্রামগী মখা তনা চথরক্লিবা অসিগী শরুক অমা ওইনা ঙসি অয়ুক্কী পুং ৭ তগী হৌনা মৈতে নহা ক্লব (এমএনসি) নিংথেম্বমদা পাংথোকপা অমুক হৌখরে।

ঙসিগী কেম্প অসিদা অজুকাগী ভাইস প্রসিদেন্ট এম প্রেমচন্দ্রনা লুচিংলদুনা চথখি। অজুকাগী প্রসিদেন্ট এম প্রেমচন্দ্রনা হায়খিবদা ফ্রি মেদিকেল কেম্প অসি অজুকা অমদি ৫০ বেদেদ কৃষ্ণ দাইগনোষ্টিক সেন্টরগা খুৎশন্নরগা হৌখিবা মার্চ থাগী তাং ৬ তগী জিরিবামগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা পাংথোকচবনি। মসি পাংথোকপগী মরুওইবা মরমদি জিরিবামগী ৫০ বেদেদ হোস্পিটালগী কৃষ্ণ দাইগনোষ্টিকনা নেসনেল হেল্‌ঠ মিসনগী মখাদা ফ্রিদা টেষ্ট ফংহল্লে খংহনবা লোয়ননা জিরিগী প্রজাশিংদা লাইনা ত্থিনা য়াওব্রা হায়দুনা য়েংনবগী পান্দমদা হায়রিবা টেষ্ট কেম্প অসি অজুকানা শিঙ্গবনি হায়খি। ঙসিগী ওইনা এমএনসি নিংথেম্বমদা পাংথোকপনি হায়খি।

কাউন্সিলনা ইকে হায়ার সেকেন্দরি স্কুলগী ওজাশিং চে য়েংবা য়াওনবা হায়রক্লবসু য়াওদ্রে ঃ*প্রিন্সিপাল*

থৌদাং পাউমীদগী

ইম্ফাল, এপ্রিল ১৩ ঃ কাউন্সিল ওফ হায়ার সেকেন্দরি এদুকেসন মণিপুরনা ই কে হায়ার সেকেন্দরি স্কুলগী ওজাশিংদা চে য়েংবা য়াওনবা হায়রক্লবসু হন্দক চহীগী ওইনা চে য়েংবদা য়াওদনবগী ফিরেপ লৌদুনা য়াওদ্রে হায়না স্কুল অসিগী প্রিন্সিপাল খাইদেম বিনোদকুমারনা ফোঙদোকখ্রে।

ঙসি ই কে হায়ার সেকেন্দরি স্কুলদা স্কুল অসিগী ওজাশিংনা শিন্দুনা পাঙথোকখিবা পাউমীশিংগা উনবদা স্কুল অসিগী প্রিন্সিপাল খাইদেম বিনোদকুমারনা হায়, ই কে হায়ার সেকেন্দরি স্কুলগী সেক্রেটরি পি শরৎচন্দ্রনা লাক্লিবা এপ্রিল ১৮ দা পাঙথোক্কদৌরিবা লোক সভা মীখলগা মরী লৈননা হায়খিবা ৱাফমগী মতাংদা হৈঙাং কেন্দ্রগী ক্লব ১২ না প্রেসতা ফোঙদোরকপা ৱাফমগী মতাংদা স্কুল অসিগী মায়কৈদগী হায়নিংবদি পি শরৎচন্দ্র অসি স্কুল অসিগী প্রিন্সিপাল ওইদ্রে। পি শরৎচন্দ্র হৌখিবা চহী ২০১৬ গী ওক্টোবর থাদগী প্রিন্সিপাল ফমদগী রিজাইন তৌখ্রে। হায়রিবা মতম অদুদগী হৌরগা ঙসি ফাওবদা বিনোদকুমার মহাক্না মহুৎ শিন্দুনা স্কুল অসিগী প্রিন্সিপাল ওইনা থৌপুরি।

বিনোদকুমারনা মখা তনা হায়, স্কুল অসিগী প্রিন্সিপাল ওইদ্রবা অমবু প্রিন্সিপালনি হায়দুনা হৈঙাং কেন্দ্রগী ক্লব ১২ না মীয়ামদা লান্না উহন্নবা হোৎনরকপা অসি লাইবক থিবনি। মতুংদা তৌবিগনু। মীয়ামদা চমন্নবা পোকহনবীগনু। স্কুল অসিগী লমগী পাট্টা অসি হৌজিক পি শরৎচন্দ্রগী মিংদা অদুমক লৈরি। মহাক্কী মিংদা স্কুলগী পাট্টা লৈবদা করিসু অকায়বা লৈতে।

হন্দক্কী কাউন্সিলগী ক্লাস টুয়েল্বকী পরিক্ষাগী অন্সর স্ক্রিপ য়েংবা ইভালুয়েসন তৌবদা ই কে হায়ার সেকেন্দরি স্কুলগী ওজা অমত্তা য়াওদে। ক্লব ১২ না ই কে হায়ার সেকেন্দরি স্কুলগী ওজাশিংনা পরিক্ষাগী অন্সর স্ক্রিপ য়েংবদা য়াওদবগী মরমদা কাউন্সিলদা চৎতুনা থিগৎলুই হায়বা অদু তাবদা নুংঙাই। ইকেগী ওজাশিংনা হৌখিবা চহী লিশাং শিৎনা মহৈরোইশিংগী পরিক্ষাগী চে য়েংদুনা লাকখি।

হন্দক্কী ওইনা চে য়েংবগী মতাংদা স্কুল অসিগী ওজাশিংগী মফমদা অমসুং স্কুলদা নোটিফিকেসন অমা ফাওবা কাউন্সিলদগী লাকখিদে। মদুনা মরম ওইদুনা চে য়েংনবগী লিষ্ট থাগৎখিদে। স্কুলদা নোটিস লাক্তবনা চে য়েংনবগী লিষ্ট থাখিদবনি।

প্রিন্সিপাল বিনোদকুমারনা মখা তনা হায়, চহী খুদিংগী ক্লাস টুয়েল্বকী চে য়েংবগী কাউন্সিলগী মায়কৈদগী স্কুলদা নোটিস অমা ফাওবা লাক্তবদগী মার্চ ২৭ দা স্কুল অসিগী ওজাশিংগী লিষ্ট অমা সবমিট তৌখি। হায়রিবা নুমিৎ অসিদা কলেজ অমগী চে য়েংগদবা ওজাশিংগী লিষ্ট অমা কাউন্সিলদা পীশিনখি। হায়রিবা কলেজ অদুগী ওজাশিংগী ওইনদি কাউন্সিলনা চে য়েংবগী অয়াবা পীখি। অদুবু ই কে হায়ার সেকেন্দরি স্কুলগী ওইনদি অয়াবা পীরকখিদে।

কাউন্সিলনা অকোনবদা চে য়েংনবগী ওজা খরগী লিষ্ট থোরকখি। অদুবু কাউন্সিলগী ওর্দর অদু মরম চাদবা ওইবনা হন্দক্কী ওইনা ই কে হায়ার সেকেন্দরি স্কুলগী ওজাশিংনা চে য়েংজররোই হায়না কাউন্সিলদা অমুক হন্না সবমিট তৌখি।

পি শরৎচন্দ্রগী মচানুপা অমা ফার্ষ্ট পোজিসনদা য়াওহন্নবা স্কুল অসিনা হোৎনরি হায়না লান্না পাউ অমসু হৈঙাং কেন্দ্রগী ক্লব ১২ গী মায়কৈদগী ফোঙদোরকখিবা অসি লাইবক থিবনি।

স্কুল অসিনা হৌখিবা চহী কয়া আর্টস ষ্ট্রিমদা ফার্ষ্ট পোজিসন তাখিবগুম্না স্কুল অসিগী সেক্রেটরিগী মচানুপাবু সাইন্স ষ্ট্রিমদা ফার্ষ্ট পোজিসন তাহন্নবা হোৎনরে হায়বগী তোকঙা অমা শন্দোরকখি। মদুগুম্বা ওইদ–পাদবা থৌওং স্কুল অসিগী ওইনা লৈজদে হায়খি।

ইকে হায়ার সেকেন্দরি স্কুল অসিদা হৌখিবা চহী ২০১৭ ফাওবদা পরিক্ষাগী সেন্টর তাদুনা লাকখি। ইং ২০১৮ দগী মদুগী ৱাফম ককথৎখ্রে। ই কে স্কুলবু মহৈরোই শেমগৎনবা হোৎনরিবরা অমসুং মুখৎনবা হোৎনরিবরা হায়বগী ৱাফম ফোঙদোরকপা অসি লাইবক থিবনি।

স্কুল অসি ইং ২০০০ দা হেক লিংখৎখিবদগী ঙসি ফাওবদা আর্টস ষ্ট্রিমদা ফার্ষ্ট পোজিসন লৌদুনা লাকখি।

হৈঙাং কেন্দ্রগী মীহুৎনা হৌজিক ফাওবদা মণিপুরগী চিফ মিনিষ্টর ওইনা লৈরিবনি। স্কুল অসিদগী অফবা মহৈরোই কয়া ঙসি ফাওবদা পুথোক্তুনা লাক্লি

এআরনা সার্ভিস ভোটরশিংগী ভোটিং রাইট ফংহনখ্রে

থৌদাং পাউমীদগী

ইম্ফাল, এপ্রিল ১৩ ঃ হেদ ক্বাটর আইজিএআর (সাউথ) কী মখাদা ৯ সেক্তর এআরগী য়ুনিটশিংগী পার্সনেলশিংদা হৌখিবা এপ্রিল ১১ দা পাংথোকখিবা লোক সভা মীখল অদুদা মখোয়গী দিমোক্রেটিক রাইট অদু ফংহন্দুনা ভোট থাদহনখ্রে হায়রি।

এআরগী চেরোল অমনা হায়রিবনা ষ্টেট অসিদা ইন্সর্জেন্সি মায়োক্লনবা দিপ্লোই তৌরিবা এআরদা লৈরিবা পার্সনেলশিংনা থা অসিগী ১১ দা পাংথোকখিবা লোক সভা মীখল অসিদা ভোট থাদবগী খুদোংচাবা অদু ফংহনখি। এআরগী য়ুনিটশিংদা থবক তৌরিবা পার্সনেলশিং অদু সার্ভিস ভোটর ওইনা ওনলাইন্দা অহানবদা রেজিষ্টার তৌহনখি। লোয়ননা মখোয়গী ভোটিং রাইট অদু ফংহন্নবগীদমক্তা ইলেক্ট্রোনিকেল্লি ট্রান্সমিট পোষ্টর বেল্লোটশিং অদু জেনরেট তৌদুনা সেনিয়ার ওফিসিয়েলশিংগী সুপরভিজন মখাদা ভোটিং রাইটশিং অদু ফংহনখি।

ইলেক্সন অসিগী শরুক অমা ওইনা মন্ত্রিপুখ্রি বট্টালিয়ননা তাঙ্কক নাইনা সার্ভিস ভোটর ১১৫১ গী মনুংদা ৮২১ অহানবা তাঙ্কককী ওইনা এপ্রিল ১১ দা পাংথোকখিবা লোক সভা মীখল অদুদা ভোট থাদহনখি। লেমহৌরিবশিং অদুনা থা অসিগী ১৮ দা পাংথোক্কদৌরিবা অনিশুবা তাঙ্কককী মীখল অসিদা মখোয়গী ভোটিং রাইট অদু ফংহনগনি হায়রি।

কৈথেলমানবি বট্টালিয়ননা চপ মান্নবা মওং অসিদা এপ্রিল ১১ দা পাংথোকখিবা অহানবা তাঙ্কককী মীখল অদুদা সার্ভিস ভোটর ১০৭৬ কী মনুংদা ২৫৬ ভোটিং রাইট ফংহনখি। লেমহৌরিবশিং অদুনা এপ্রিল ১৮ দা পাংথোক্কদৌরিবা অনিশুবা তাঙ্কককি মীখল অসিদা মখোয়গী ভোটিং রাইটশিং অদু ফংহনগনি।

এআরদা থবক তৌরিবা পার্সনেলশিং অসিনা লৈবাক অসিদা অফবা লৈঙাক সাসন অমা খন্ননবা অদুগা মখোয়না লৈবাক অসিগী চাওখৎ থৌরাংগীদমক পীরিবা কন্ত্রিব্যুসনশিং অদু য়েংলগা মখোয়বু ভোটিং রাইট ফংহনবা হায়বসি য়ান্না তঙায়ফদবা অমনি হায়রি।

বি জে পি মেনিফেষ্টোদা সি এ বি চৎনহন্নবা হাপচিল্লকপা য়ানিংদবা ফোঙদোরক্লি

থৌদাং পাউমীদগী

ইম্ফাল, এপ্রিল ১৩ঃ লাক্লিবা এপ্রিল ১৮ দা পাঙথোক্কদৌরিবা ইন্নর মণিপুর লোক সভাগী ১৭ শুবা মীখল অসিগী বি জে পিগী মেনিফেষ্টোদা সি এ বি চৎনহন্নবা হাপচিল্লকপা য়ানিংদে হায়না পিপল এলায়েন্স মণিপুর (পাম) গী কনভেনর এস এম জলালনা ইম্ফালগী কৈশাম্পাৎতা লৈবা এস এস য়ু এমগী ওফিসতা পাঙথোকখিবা পাউগী মীফম অমদা ফোঙদোকখ্রে।

মহাক্না মখা তানা হায়, মণিপুর মীয়ামনা য়ানিংদে হায়বা অকনবা ঈহৌ লৈনা-লৈনা বি জে পিনা মখোয়গী ইলেক্সন মেনিফেষ্টোদা সি এ বি পাস তৌগনি হায়বা ৱাফম ময়েক শেংনা থম্লকপা অসি তরাইনা লৌদে। লিশাংশিংৎনা মণিপুরদা লমদম অসিগী নেটিভ পিপলশিং কন্নবগী অচৌবা ঈহৌ অমা ওইনা হৌখিবা ১৯৮০ গী এন্টি ফোরেনর মুভমেন্ট অমদি হৌখিবা চহী খরা অসিদা নেটিভ পিপলশিং অসিবু কন্নবগীদমক লো অমা লৈগদবনি হায়বগীদমক হৌরক্লিবা ঈহৌ অসিদা মীশি-মীনা য়াওনা চঙশিন্দুনা লাক্লিবনি। চৈরক অসিদা ঐখোয়গী আইদেন্টিটি অসিবু মুখৎনবা শেন্নক্লিবা সিটিজেনসিপ এমেন্দমেন্ট বিল অসিবু পুশিল্লক্লবা হোৎনবা অসিগী মায়োক্তা মীয়ামগী অপুনবা ঈহৌ লৈনা-লৈনা মণিপুরগী লৈঙাক পাইরিবা বি জে পিনা সি এ বি চৎনহন্নবা মেনিফেষ্টোদা হাপ্পক্লিবা অসি য়েংলুরগদি বি জে পিনা মণিপুর মীয়ামবু করিসু লৈতনা উরব্রা হায়বগী অচৌবা ৱাহং অমা লাক্লে।

মীয়ামনা খঙবীগদবদি সি এ বি অসি পুথোক্ক্রিঙৈ মমাংদা হিরম অসিগা মরী লৈননা শেমখিবা পার্লিয়ামেন্টরি কম্মিটিদা মীয়ামনা বিল অসি পামদে হায়বা ৱাফমশিং ফোঙদোকপা লৈখ্রবনি। অদুবু বি জে পিনা বিল অসি পুথোক্তবা য়াদে হায়বগী মতাগুম মীয়ামগী অপান্বা অমদি পার্লিয়ামেন্টরি কম্মিটিদা য়াওরিবা পার্টি ময়ামগী ৱা তাদনা নমদুনা বিল অসি লোক সভাদা পুথোকখিবনি। মরম অদুনা ইলেক্সন মেনিফেষ্টোদা নোর্থ ইষ্টকী আইদেন্টিটি ঙাক্কনি হায়বা ৱাফম অমা ফোঙদোরক্লিবা অসি মীয়ামদা অচৌবা নমথাক তৌবনি।

মীয়ামনা বিল অসি পামদে হায়বা খঙনা-খঙনা বি জে পিনা মখোয়গী ইলেক্সন মেনিফেষ্টোদা হাপচিল্লকপা অসিমক্লা বি জে পিনা মণিপুর মীয়ামগী মায়োক্তা লেপ্লে অমদি য়েলহৌমীগী ফুরুপ মুখৎনবা হোৎনরে হায়বা অসি ময়েক শেংলে। মরম অসিনা বি জে পিনা মখোয়গী ইলেক্সন মেনিফেষ্টোদা সিটিজেনসিপ এমেন্দমেন্ট বিল অসি পাস তৌগনি হায়বা ৱাফম অসিগী মায়োক্তা লাক্লিবা এপ্রিল ১৫ দগী হৌরগা এপ্রিল ১৭ ফাওবা মীয়ামনা দেমোক্রেটিক ওইনা পামগী খোঙজং অসিবু শৌগৎপীবা ওইনা ইরৈবাক অমদি ইরৈচাশিং কন্নবা খক্কী পান্দমদা য়ানিংদবা ফোঙদোকপীয়ু হায়রি।

থাং-তা মণিপুরগী মীফমনা ৱারেপশিং লৌখ্রে

ইম্ফাল, এপ্রিল ১৩ঃ লিদরসিপ কাউন্সিল ওফ থাং-তা মণিপুর খুরাই লমলোং বজারনা ঙসি অখন্নবা মীফম অমা পাঙথোক্তুনা হন্দক পাঙথোক্কদৌরিবা মণিপুর ইন্নর পার্লিয়ামেন্টরি কন্সটিটুয়েন্সি অসিগী এম পি মীরেপ খনবগী মতাংদা ৱারেপশিং লৌখ্রে।

কাউন্সিল অসিগী ঙসিগী মীফমনা লৌখিবা ৱারেপশিং অদুদি, ইলেক্সনগী কেম্পেইন অসিনা মরম ওইদুনা ঐখোয়গী অপুনবগী পাঙ্গল শাগৎপদা য়াম্না চাওনা অকাইবা পীদুনা লাক্লিবা মরম অদুনা ইলেক্সনগী ফল লাওথোক্লবা মতুংদা মীখল থেংনরিবা মীরেপশিংনা অমুক হন্না লৈবাক্কী অপুনবা পাঙ্গল শাগৎনবা জোইন্ট ষ্টেটমেন্ট অমা থোকহন্নবা অপিল তৌবা অমদি কেন্দিদেটশিংনা প্রজাগী ইন্টরেষ্টতা খুৎ শোক্কদুনা অনৌবা লৈঙাক্লোইশিংদা য়াইফ পাউজেল পীহন্নবা মরী লৈনবশিংদা অপিল তৌরক্লি।

লৈবাক মীয়ামনা লুচিংবা খনবা মতমদা ঐখোয়গী কলচর অমসুং ত্রেদিসন্না য়াদবা হায়বদি বৃটিস রুলগী মমাংদা নিংথৌ শেঙ্গা মতমদা অচংবা মতিক চাবা মীওইবু নিংথৌ ওইহন্দুনা ঐখোয়গী লৈবাক অসি ঙাক্লম্বগী ইতিহাস লৈরি। অদুবু বৃটিস রুলগী মথংদা ইন্দিয়ান য়ুনিয়ন্দা য়াওদুনা ইলেক্ট্রোরেল পোলিটিক্সকী লৈঙাক অমা লাকখ্রে। লোয়ননা চহী ৭০ গী ইতিহাস অমা শেম্লক্লি। অদুগা ভোটতা শেল য়েনবা অমদি লৌবা অসি ঐখোয়গী ত্রেদিসনগী মায়োক্তা চথবা লিদরশিংগী ক্রাইমনি। মখোয়বু দন্দি পীবা হায়বা অসি প্রজাগী খুৎতা লৈরে। ইলেক্ট্রোরেল পোলিটিক্সনা মরম ওইদুনা ঐখোয়গী অপুনবগী শক্তমদা অকাইবা পীহল্লোইসি। লোয়ননা লুচিংবা খনবগী নামাদা শেল লৌবা অমদি মীওই খরনা শেল পাইদুনা লুচিংবা ওইনিংবগী ময়াইনা প্রজাবু লান্না লমজিংলি। অদুগা লুচিংবা ওইরবা মতুংদগীদি প্রজানা ইকাই খুম্নদবা, মোরেল য়াওদবা ওইনা উরকপা য়াই। মসিনা মরম ওইদুনা মণিপুরগী কম্যুনিটি অসি মুৎখিবা য়ানা লৈরে। মরম অদুনা কাউন্সিল অসিনা মণিপুর মীয়ামদা শেল লৌদনা ভোট পীবা অমদি শেল য়েল্লিবা মীওইশিং অসি লৈবাক্কী য়েক্লবনি হায়না খন্দুনা শৌগৎপীগনু হায়না অপিল তৌরক্লি।

ইন্দিয়াগী নেস্নেল পার্টিশিংনা মখোয়-মখোয়গী মেনিফেষ্টোদা সি এ বি চৎনহনগনি হায়বা ৱাফম য়াওরকপা অদু করম্বা এমেন্দমেন্টনো হায়বা অদু ময়েক শেংনা হায়গদবনি। নোর্থ ইষ্টকী দেমোগ্রাফিক বেলেন্সতা অকাইবা পীরোইদবনি। লোয়ননা নোর্থ ইষ্টতা ফোরেন ইলিমেন্টশিং রিগুলেসন তৌনবা এমেন্দমেন্টশিং হাপ্লীগদবা পার্টি অদুদা ভোট পীনবা অপিল তৌরক্লি।

হৈঙাংদা বিজেপিগী ওইদ–পাদবা, তাৎ পাৎকী পোলিটিক্স মীয়াম্না পামদে ঃ*ব্লোক কংগ্রেস*

থৌদাং পাউমীদগী

ইম্ফাল, এপ্রিল ১৩ ঃ হৈঙাং কেন্দ্রদা বিজেপিগী ওইদ–পাদবা, তাৎ–পাৎকী পোলিটিক্স কেন্দ্র অসিগী মীয়াম্না পামদে, কেন্দ্র অসিগী অপুনবা ভোটরগী চাদা ৯০ বিজেপিনা ফংগনি হায়রিবা খক ওইথোক্লরোইদবা মঙদা মঙ্গা তানবগুম্বনি হায়না হৈঙাং ব্লোক কংগ্রেস কম্মিতিগী প্রসিদেন্ট সাপম ইবোচৌবনা ফোঙদোকখ্রে।

ঙসি হৈঙাং ময়াই লৈকাইদা লৈবা পি শরৎচন্দ্রগী য়ুমদা পাঙথোকখিবা পাউমীশিংগা উনবা অদুদা হৈঙাং ব্লোক কংগ্রেস কম্মিতিগী প্রসিদেন্ট সাপম ইবোচৌবনা হায়, ১৭ শুবা লোক সভা মীখল অসিগা মরী লৈননা হৈঙাং কেন্দ্রগী মফম কয়াদা পাঙথোকপা বিজেপিগী ওইবা মীখলগী কেম্পেইন কয়াদা বিজেপিগী ৱাঙাংলোইশিংনা য়ান্না তোয়না মণিপুর প্রদেশ কংগ্রেস কম্মিতিগী সেক্রেটরি ওইরিবা পাঙ্গেজম সরৎচন্দ্রগী মথক্তা অরানবা চার্জ কয়া তৌদুনা সরৎচন্দ্রগী মিংচৎ থিহন্নবা অমসুং লান্না উহন্নবা হোৎনরকপা অসি লাইবক থিবনি।

পি শরৎচন্দ্রবু হৈঙাংদা লৈতে হায়না বিজেপিনা মীয়ামদা মচিন থিদুনা লান্না উহন্নবা হোৎনরি। হৈঙাং ময়াই লৈকাইদা ইং ১৯৬৫ দা পি শরৎচন্দ্র পোকখি। লৈকাই অসিগী ক্লব, ওর্গনাইজেসন কয়াগী থৌপুবা অমা ওইনা মীয়ামগা তোৎন–ত্নিনা চাওখৎ থৌরাংগী থবক কয়াদা মাঙজিল থানা সরৎচন্দ্রনা য়াওদুনা লাকখি। চাওখৎপা হৈঙাং কেন্দ্র অমা পুরক্লবা মশাগী ওইজবা কয়া থাদোক্তুনা পুকচেল শেংনা থবক তৌজরিবা সরৎচন্দ্রগী মথক্তা লান্না চার্জ তৌরকপা অসি তৌবিগনু। সরৎচন্দ্রগী মফমদা ওইদ–পাদবা ৱাফম শিজিন্নদুনা চার্জ তৌশিন্দুনা মিংচৎ থিহন্নবা বিজেপিনা কয়ারক হন্না হোৎনরবসু খক মায় পাকপা ঙম্লোই হায়না ইবোচৌবনা ফোঙদোকখি। ইবোচৌবনা মখা তনা হায়, হৈঙাং কেন্দ্রদা লৈবা অপুনবা ভোটরগী চাদা ৯০ দি বিজেপিগী মীরেপনা ভোট ফংলগনি হায়না লান্না শন্দোক্লিবা অসি তাবদা নোক্লিংবা ৱাফমনি। হৈঙাংদা লৈরিবা ভোটর কয়ানা বিজেপিগী সিএবিগী মায়োক্তা লৈরি। হৈঙাং কেন্দ্রদা কংগ্রেসকী মীতিং পাঙথোকফম মফম লৈতে হায়রিবা অদু বিজেপিগী ওইদ–পাদবা মীয়ামদা মচিন থিজিনবা থৌওংনি।

হৌজিক ফাওবদা পি শরৎচন্দ্রগী লমজিং মখাদা হৈঙাং কেন্দ্রগী তোঙান তোঙানবা মফম কয়াদা কংগ্রেসকী মীরেপ ও নবকিশ্বরগী ওইবা মীতিং পাঙথোকখ্রে। লাক্লিবা এপ্রিল ১৬ তসু হৈঙাংদা কংগ্রেসকী ওইবা অচৌবা পোলিটিকেল কনফরেন্স অমা পাঙথোক্কনি হায়খি। হৈঙাংদা লৈবা ভোটর কয়ানা পি শরৎচন্দ্রগীদমক লেপ্লি। হৈঙাং য়ুনাইটেদ ক্লবপু বিজেপিদা শৌগৎপা ওইনা লান্না উহন্নবা হোৎনরকপা অসি মতুংদা তৌবিগনু। হৈঙাংদা লৈরিবা মীয়াম অসি অপংবা নত্তে। কনানা অফবনো, কনানা ফত্তবনো হায়বা নিংথিনা খঙলবা প্রজাশিংনি হায়না হৈঙাং ব্লোক কংগ্রেস কম্মিতিগী প্রসিদেন্ট এস ইবোচৌবনা ফোঙদোকখি।

'চীংনুংগী খোঙ্হাং'

ইম্ফাল, এপ্রিল ১৩ঃ লাইশ্রম পৃথিবিরাজ সিংহনা শিন্দুনা মণিপুর রিয়র ফোল্ক ম্যুজিক ইন্সেম্বল 'চীংনুংগী খোখাং' হায়না মিংথোনবা থৌরম অমা হয়েং এপ্রিল ১৪ গী নুংথিল পুং ৪ তাবদা কৈশামথোং হোদাম লৈরক লাই লম্পাক ইম্ফাল ৱেষ্টতা পাঙথোক্লগনি।

BHARATIYA JANA
MANIPUR PRA
RTY
DD

কংগ্রেসনা রিফ্যুজি খুদিংমক চংজফম পীনবা 'লো ওন এসাইলম' চৎনহনগনি হায়না ইলেক্সনগী মেনিফেষ্টোদা য়াওরিবা অদু শেংদোক্নবা বি জে পিনা দাবি তৌবা

মালেমগী য়েক ৭, সলাই ৯ গী খুমন ইবুধৌ শাফোংলক্লে

ইম্ফাল, এপ্রিল ১৩ঃ মালেম অসিগী ওইনা য়েক লৌনবা অমদি সলাইগী য়েম্মৌনবা, চাহৈদবা চারুবা, তৌরোইদবা তৌরুবা, লংজখিবা পুম্নমক কোক্লবা লাঙোলফম লাঙ্গোল লংদাই শিচ্ছা পুং নম্বোল কোংখাম অসিদা খুমন ইবুধৌনা শাফোংলক্লে হায়না লাঙ্গোল লংদাই শিচ্ছা পুং নম্বোল কোংখামগী চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অসিনা মখা তারক্লিবদি, খুমন ইবুধৌনা খুহ্লোকপা, খুল শেম্বা ইবুধৌনা ফুক্না লাং ওনবীদুনা লমলেন নম্বোল কোংখাম অসিদা ইবুধৌনা মালেমগী লাইনিং লাইশোনবগী মরু হৌরকফমনি হায়না কোলোইরম্মী।

ইবুধৌনা অনৌবা লাঙোল পুরকপদা ৱারোই নিংথৌ, খুমন ইবুধৌনা কাইদোংলম্বা তালা উপাল তেরো উ অসিনা হিয়াং হিরেল শাদুনা মালেমগী হি-য়াই পুম্নমক ময়োল চোংলগনি। ইবুধৌগী সনা হিয়াং হিরেলনা শামৈরোং য়াওঙমথেন (চীংমৈরোং) লৈ ইখোল চাওখোং হিদেল ইবুধৌ পাখংবা মকাইফমদা খোঙদাংদুনা লৈরিঙৈদা লাঙ্গোল ইমাগী য়াঙ্গোই নিংথৌ ইপাগা মার্জিং ইবুধৌগী মকাইফম সমদোন চীংদোন দা খোংদাবীরগা মালেমগী লাইনিং লাইশোন অসি মরু হুনখি। খুঞ্জাও লৈচাওনবা অমদি চাকহোং-ঙাহোংনবগীদমক লৈতাবীগনি। মখা তারকপদা ইবুধৌনা লৈ ইখোলদা লুৱাংগী লাইজা ঈরু থক্লগা কংলাদা খোদারগনি। লোয়ননা কংলৈপাক মণিপুরদা লৈরিবা, লৈরিবী ইপাগী মপারি মমোমশিংনা শজিবুগী ১২ নি পানবা লাক্লিবা এপ্রিল ১৬ লৈবাকপোকপা নুমিৎকী অয়ুক পুং ৭ তাবদা মীয়ামনা শরুক য়াবীদুনা অঙম-অঙম্বা চেংবী চেংবা, হৈরাং-লৈরাংবু তমজদুনা পুন্সি নিহৌনবা খুমন পোকপনা পাউজেল পীরক্লি। মরম অদুনা ইরমদম অসিদা লৈরিবা মীপুম খুদিংমক্না থৌরম অসিদা মপুং ফানা শরুক য়াবীয়ু হায়না পাউজেল্লক্লি।

ই ভি এম কম্মিসন তৌখ্রে

ইম্ফাল, এপ্রিল ১৩ঃ লাক্লিবা এপ্রিল ১৮ দা পাঙথোক্কদৌরিবা ১৭ শুবা লোকসভা মীখল অসিগী ২ শুবা তাঙ্কক্কী ভোট থাদনবদা য়াওগদৌরিবা ইন্নর মণিপুর পার্লিয়ামেন্টরি কন্সটিটুয়েন্সিগী মনুং চন্না লৈরিবা থৌবাল দিষ্ট্রিক্তকী কেন্দ্র ৩ হায়বদি, লিলোং, থৌবাল অমসুং ৱাংখেম কেন্দ্রদা শিজিন্নগদবা ই ভি এম কম্মিসন তৌখ্রে। ১১৮ তা শিজিন্নগদবা ই ভি এমশিং অসি ইসিআইনা থারকপা এক্সপার্ট৮না ঙসিদগী হৌরগা হয়েং ফাওবগী মনুংদা লোইশিল্লগনি। লোয়ননা ১৭ শুবা লোক সভা মীখলগী ২ শুবা তাঙ্কক্কী ওইনা লাক্লিবা এপ্রিল ১৮ দা পাঙথোক্কদৌরিবা মীখল অসিদা থৌবাল দিষ্ট্রিক্তকী ৩০-লিলোং, ৩১-থৌবাল অমদি ৩২-ৱাংখেম কেন্দ্রনি।

পুন্না কেন্দ্র ৩ অসিগী পোল্লিং ষ্টেসন

লোক সভা মীখলগীদমক সি পি আইগী রোদ সো পাঙথোকখ্রে

থৌদাং পাউমীদগী

ইম্ফাল, এপ্রিল ১৩ঃ লাক্লিবা এপ্রিল ১৮ দা পাঙথোক্কদৌরিবা ১৭ শুবা লোক সভা মীখল অসিগী ২ শুবা তাঙ্কক্কী ওইনা ইন্নর মণিপুর পার্লিয়ামেন্টরি কন্সটিটুয়েন্সিদা সি পি আইগী মীরেপ ওইরিবা ডা: এম নরাগী ইলেক্সন কেম্পেইনগা মরী লৈননা ঙসি সি পি আই থৌবাল কাউন্সিলনা শিন্দুনা রোদ সোগী রেল্লি অমা পাঙথোকখ্রে।

রোদ সোগী রেল্লি অদু থৌবালগী পুলিস ষ্টেসন মমাংদগী হৌরগা সি পি আইগী দিষ্ট্রিক্ত ইলেক্সন কম্মিটিগী চিয়ারমেন ডা: কে এস ঐচ মঙলেমনা লমথাখিবা রোদ সোগী রেল্লি অদু থৌবাল লৈশাংথেম, খেকমন, মোইজিং, কিয়াম, হাওখানচিংবা মফম কয়া কোইনা চৎলুরবা তুংদা থৌবাল বজারদা লোইশিনখি। ঙসি পাঙথোকখিবা রোদ সো অদুগী মতাংদা সি পি আই থৌবাল দিষ্ট্রিক্ত কাউন্সিলগী একজিক্যুটিভ মেম্বর এম বিশ্বজিৎনা রোদ সো অসি মরুওইনা লমদম অসিগী মীয়ামদা লাক্লিবা ১৭ শুবা লোক সভা মীখল অসিদা ঐখোয়গী মতিক চাবা মীহুৎ অমা পার্লিয়ামেন্টতা থাদুনা লমদম অসিগী অৱাৎ-অপা কয়া পুখৎপা ঙমগদবা ডা: এম নরাবু শৌগৎপীনবগী পাউজেল পীবা খোঙচৎ অমনি হায়খি।

বিজেপিগী ভাইস–প্রসিদেন্ট য়াওনা কোর্পোরেটরনা কোদ ওফ কন্দক্ট থুগায়রে

থৌদাং পাউমীদগী

ইম্ফাল, এপ্রিল ১৩ ঃ হৌখিবা এসেম্বলি মীখলদা থাংমৈবন্দ কেন্দ্রদা বিজেপিগী মীরেপ ওইখিবা হৌজিক বিজেপি মণিপুর প্রদেশকী ভাইস–প্রসিদেন্ট ওইরিবা জোতিন ৱাইখোম য়াওনা ইম্ফাল ম্যুনিসিপাল কোর্পোরেসন (আইএমসি) গী ৱার্দ নম্বর ২ গী কোর্পোরেটর থোকচোম পুরনচন্দ্রনা ইলেক্সনগী মোদেল কোদ ওফ কন্দক্ট থুগায়বগীদমক আইএমসিগী কোর্পোরেটর অসিগী মথক্তা ইলেক্সন কম্মিসন ওফ ইন্দিয়া (ইসিআই) অমসুং চিফ ইলেক্টোরেল ওফিসার মণিপুরনা এক্সন লৌখৎপীনবা আইএমসিগী ওপোজিসন পার্টিশিংগী কোর্পোরেটরশিংগী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।

ঙসি নুংথিল ইম্ফালগী কংগ্রেস ভবনদা আইএমসিগী কংগ্রেস কোর্পোরেটরশিংনা শিন্দুনা পাঙথোকখিবা পাউমীশিংগা উনবদা আইএমসিগী ওপোজিসন লীদর তৈরাংবম ইন্দ্রজিৎ মৈতৈনা হায়, ইম্ফাল ম্যুনিসিপাল কোর্পোরেসন(আইএমসি) গী ৱার্দ নম্বর ২ গী কোর্পোরেটর থোকচোম পুরনচন্দ্রনা ইলেক্সন কম্মিসন ওফ ইন্দিয়া (ইসিআই) গী ইলেক্সন মোদেল কোদ ওফ কন্দক্টপু ভাইওলেসন তৌরে।

মোদেল কোদ ওফ কন্দক্ট ফোর দি গাইদেন্স ওফ দি পোলিটিকেল পার্টিজ এন্দ কেন্দিদেটসকী সেরিএল নম্বর ৭(১বি) পার্টি ইন পাৱারদা পল্লিবা ইলেক্সনগী মোদেল কোদ ওফ কন্দক্ট অদু ভাইওলেট তৌদুনা আইএমসিগী ৱার্দ নম্বর ২ গী কোর্পোরেটর পুরনচন্দ্রনা আইএমসিগী দি সেল্টিং মেছিন অমসুং ষ্টাফশিং মহাক্কী ৱার্দ মনুংদা পুথদুনা থবক শুদুনা বিজেপিগী ভোট খোম্লে।

আইএমসিগী দি–সেল্টিং মেছিন অমসুং অতৈ মেছিন্নরি শিজিন্নদুনা থাংমৈবন্দ কেন্দ্রদা বিজেপিগী মীরেপ ওইখিবা বিজেপি মণিপুর প্রদেশকী ভাইস–প্রসিদেন্ট জোতিন ৱাইখোম য়াওনা য়ুঠ সেন্টর মনাক থাংমৈবন্দা থাংমৈবন্দ হিজম দেৱান লৈকাইদা দ্রেনেজশিং শেংদোকখিবা অদু ইলেক্সনগী মোদেল কোদ ওফ কন্দক্ট অদু থুগায়দুনা চংখিবনি।

অসিগুম্বা আইএমসিগী ৱার্দ নম্বর ২ পুরনচন্দ্রনা অসিগুম্বা মথোং হুক্তবা মওংদা ইলেক্সনগী মোদেল কোদ ওফ কন্দক্ট থুগায়বা অসিগীদমক মহাক্কী মথক্তা এক্সন লৌখৎপীনবা মণিপুর প্রদেশ কংগ্রেস কম্মিতিগী সেক্রেটরিসু ওইরিবা মোদেল কোদ ওফ কন্দক্ট ইমপ্লিমেন্টেসন সব–কম্মিতিগী চিয়ারমেন ওইরিবা এমদি সিরাজ অহমদনা ইলেক্সন কম্মিসন ওফ ইন্দিয়া (ইসিআই) গী চিফ ইলেক্সন কম্মিস্নারদা অহবা চেরোল থাদুনা ৱাকৎখ্রে। মদুগী কোপি অমসু মণিপুরগী চিফ ইলেক্টোরেল ওফিসারদসু পীশিনখ্রে।

ইন্দ্রজিৎনা মখা তানা হায়, ইলেক্সনগী মোদেল কোদ ওফ কন্দক্ট চৎনরিঙৈ চৈরক্তা মদুবু থুগায়দুনা সরকার পায়রিবনি হায়দুনা নম্ফুদা পাৱার শিজিন্নদুনা আইএমসিগী মেছিন্নরি অমসুং ষ্টাফ ইমপ্লোয়ীশিং কৌথদুনা থবক শুখিবা অসি ইসিআইনা অকনবা এক্সন লৌখৎফম থোকই।

ইসিআইগী মোদেল কোদ ওফ কন্দক্ট ভাইওলেট তৌরিবা আইএমসিগী ৱার্দ নম্বর ২ গী কোর্পোরেটর অসি চিফ ইলেক্টোরেল ওফিসারনা এক্সন লৌখৎকন্দবনি হায়খি।

বিজেপি লৈঙাক্না হাপ্তা কাংজৈবুংগী য়োৎকী খারিবা দ্রিল ৱাল থুগায়খি ঃ*হরেশ্বর গোস্বামী*

থৌদাং পাউমীদগী

ইম্ফাল, এপ্রিল ১৩ ঃ মণিপুরদা শাসন পায়রিবা বিজেপি লৈঙাক্না হন্দক্তা ভারতকী প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা লাক্তুনা বিজেপিগী ইলেক্সনগী কেম্পেইন পাঙথোকখিবা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্তা লৈরিবা হাপ্তা কাংজৈবুংগী অকোয়বদা খারিবা য়োৎকী দ্রিল ৱালবু মফম ৪ দা থুগায়খিবা অসি সরকারগী প্রোপরটি মাঙহনবা থৌওংনি হায়না মণিপুর প্রদেশ কংগ্রেস কম্মিতিগী স্পোক্সপার্সন হরেশ্বর গোস্বামীনা ফোঙদোকখ্রে।

ঙসি ইম্ফালগী কংগ্রেস ভবনদা পাঙথোকখিবা পাউমীশিংগা উনবদা হরেশ্বর গোস্বামীনা হায়, বিজেপিনা সেন্টরদা অমসুং মণিপুরদা লৈঙাক শাসন পায়রকপদগী সুপ্রন্ম শাসনগী থৌওং কয়া ঙসি ফাওবদা লেপ্তনা চথরক্লি। সরকার পায়রিবনি হায়বগী খুদোংচাবা লৌদুনা কাহেনবা থৌওং কয়া ঙসি ফাওবদা লেপ্তনা চথরি।

মণিপুর য়ুনিভর্সিটি মনুংদা ভিসি এপি পান্দেগী মতাংদা বিজেপিনা চথখিবা অরানবা থৌওংশিং ঙসি ফাওবদা মণিপুরগী মীয়াম্না খঙনরি।

হৌজিক ১৭ শুবা লোক সভা মীখলগী ইলেক্সনগী মোদেল কোদ ওফ কন্দক্ট চৎনরিঙৈ চৈরক্তা বিজেপিনা সরকার পায়বগী মিংদা পাৱার শিজিন্নদুনা ইলেক্সনগী মোদেল কোদ ওফ কন্দক্ট থুগায়বগী থবক লেপ্তনা চথরি।

হন্দক্তা ভারতকী প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা হাপ্তা কাংজৈবুংদা বিজেপিগী মীখলগী কেম্পেইন মিতিং পাঙথোকখিবা অদুদা মেছিন্নরি কয়া শিজিন্নদুনা মতম কয়াগী মমাংদগী ইতিহাসিক ওইবা মওংদা লৈরক্লবা হাপ্তা কাংজৈবুংগী য়োৎকী ফেন্সিং খারিবা অদুবু তোঙান তোঙানবা মফম ৪ দা ফেন্সিংগী য়োৎ অদু থুগায়দুনা ফাৎতেকখি।

অসিগুম্বা হাপ্তা কাংজৈবুংদা বিজেপিগী ওইবা মীখলগী কেম্পেইনগী প্রাইম মিনিষ্টর লাকপদা মী য়ান্না লাকপা শারগা সরকারগী প্রোপরটি ওইরিবা ফেন্সিংগী য়োৎ অদু মেছিন শিজিন্নদুনা লৌথোকখিবা অসি লাইবক থিবনি।

নুমিৎ অদুদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগী ৱাঙাং অদু তানিংদ্রে, য়ুমদা হল্লগে হায়না মিটিং মফমদগী থোরকপদা পুলিসনা পৌ নমদুনা নম্ফুদা থোকহনখিদবা অদু সরকার পায়রিবা পার্টিগী মায়কৈদগী মীয়াম লোয়নমক থোকখিবা তারগদি বিজেপিগী ওইনা য়ান্না ফজদবা তারগনি হায়দুনা নম্ফুদা মীয়াম অদুবু থোকহন্দনা থন্নবা হোৎনখি। মীয়াম্বু পৌ নমশিন্দুনা থন্নবা হোৎনখি। মীয়াম্না পুলিসনা পৌ নম্লিবা অদুবু নমখায়দুনা থোকপদা শোক্নবা ফাওবা য়াওখি।

হরেশ্বর গোস্বামীনা মখা তানা হায়, বিজেপিগী সরকার অসিনা হাপ্তা কাংজৈবুংদা লৈরিবা পব্লিক প্রোপরটি ওইবা য়োৎকী ৱাল ফেন্সিং অদুগী শরুক খরা মাঙহল্লে। অসিগুম্বা পব্লিক প্রোপরটি মাঙহনবা অসি হৌজিক কনানা শেমজিনবিগদৌরি।

হাপ্তা কাংজৈবুং অসি ৱাইবগী দিসি ইম্ফাল ইষ্টনা লৌরিবা শেনফম লুপা লিশিং ১০ রোম অদুনা হাপ্তা কাংজৈবুংগী য়োৎকী দ্রিল ৱাল অদু শেমজিনবা কোন্নগদৌরিবরা।

বিজেপিগী লৈঙাক্না সিএবিগী মতাংদা মখোয়গী দিক্টেটোরিএল ওইবা মওংদা মখোয়গী মতৌ অদু ফোঙদোক্তুনা অচ্চা শানবা হোৎনরি। সিএবিগী মতাংদা বিজেপিবু মণিপুরগী মীয়াম্না লোক সভা মীখল অসিদা অচৌবা পারা অমা তম্বীনবা শেম শারি হায়বসি মীখলগী রিজল্ট লাক্লবা মতমদা খঙলগনি হায়না হরেশ্বর গোস্বামীনা ফোঙদোকখি।

চৈরাওবগী য়াইফ পাউজেল পীরক্লি

ইম্ফাল, এপ্রিল ১৩ঃ হিন্দু লাইনিং চৎপশিংগী চরক পুজা চহী হৌবা শজিবু চৈরাওবনা লাকপদা মণিপুর প্রদেস কংগ্রেস কম্মিটিগী প্রসিদেন্ট গাইখাঙমনা লমদম অসিগী মীয়ামদা হরাও তয়াম্বা ফোঙদোকপগা লোয়ননা য়াইফ পাউজেল পীরক্লি।

গাইখাঙমগী য়াইফ পাউজেলনা হায়, অরিবা কুমনা লোইদুনা অনৌবা চহী হৌবা চরক পুজা শজিবু চৈরাওবা অসিনা লাকপদা লমদম অসিগী মীয়ামনা হরাও তয়াম্না ওকপগা লোয়ননা অনৌবা চহী অসিবু ঈশ্বরগী মফমদা থৌনিজদুনা মথেল-লুকোই কয়া কৎতুনা হয়েং পাঙথোক্কদৌরিবা অনৌবা চহী অসিনা লাকপদা ইং-তপ্পা, ৱাৎতা-পাদবা, হেন্না নুংশি-চান্নবা অমদি চাওখৎপা ইরমদম অমা ওইনবা থৌনিরসি হায়রি। লোয়ননা লমদম অসিদা তোঙান-তোঙানবা কাংলুপকী খুন্দামীন্নরিবা ঐখোয় খুদিংমক্না অনৌবা চহী অসিনা লাকপদা অমত্তা ওইবা ৱাখল্লোন্দা কাংলুপ ফুরুপ খুদিংমক নুংশি-চান্নবা, ইচিল-ইনাও ওইবগী মরী হেন্না চেৎশিনহনবা, নুংঙাইবা লমদম অমা পুরকপা ওইরসনু হায়না থম্মোয় শেংনা য়াইফ পাউজেল পীরক্লি।

কমেৎ
COMET
Combined Oceans of Medical & Engineering Tutorials
ADMISSION OPEN
CLASS-XI & XII FOUNDATION COURSE 2019
Special concessions for COMET School students for foundation Course.
FIRST COME FIRST SERVE
For details plz. contact COMET office, Keishamthong Top Leirak Maning Near Airport Road Imphal

PERMANENT CURE
(অঙৌবা শকপা)
[illegible]
(তাং-তাং চিকপা)
[illegible]
(দাইবেটিসগী প্রোব্লেম)
[illegible]
(নুংশেং)
[illegible]
(নুপাগী প্রোব্লেম)
[illegible]
(নুপীগী প্রোব্লেম)
[illegible]
Dr. (VAID) R N GUPTA (396)
Khuyathong Road, Kwality Wall Ice-Cream
Buding 1st Floor, Opp. Senapati Bus Parking